## ভিদিওশিং থিংজিনখ্রে

মোস্কো, মে ০৬ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯ অসি মীনা শেন্বা বাইও-ৱেপন অমনি হায়রিবা ওনলাইন ভিদিওশিং থিংজিন্নবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রসিয়াগী প্রোসিক্যুটর জেনরেলগী ওফিসনা লৈবাক অসিগী কম্যুনিকেসন্স ৱাটচদোগতা খঙহনখ্রে।

ভিদিওশিং অদুদা মীওইবগী পুন্সি অমসুং হকশেলদা অকিবা পোকহনবা অমদি পব্লিক ওর্দর অমসুং সেফটি থুগায়বা সোসাইটিগী ওইনা চৈথেং চাওনা ফংগদবা চুমদবা ইনফোর্মেসন য়াওই হায়না পি পি জিগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

## দিসএবলশিং য়াওহনগদবনি

য়ুনাইটেদ নেসন্স, মে ০৬ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯গী রেস্পোন্সতা হকচাং ফিভম তোঙাল্লবা মীওইশিংসু য়াওহন্নবা য়ু এন সেক্রেটরি জেনেরল এন্টোনিও গুটরেসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌখ্রে।

মহৌশাগী ফিভম কয়াদসু হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা মীওইশিং মহৈ-মশিং তন্বা, হেল্থ ক্যের অমদি ইনকমগী খুদোংচাবশিং ফংবা ৱাৎলি হায়রদুনা গুটরেসনা লৈবাকশিংগী কোভিদ-১৯ রেস্পোন্সতা মখোয়বুসু খন্ননবা অপিল তৌখিবনি।

## ‘প্যোংয়াং এয়রপোট মনাক্কী ফেসিলিটি নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল প্রোগ্রামমগা মরী লৈনৈ’



সিওল, মে ০৬, (এজেন্সি) :
প্যোংয়াং ইন্টরনেসনল এয়রপোট মনাক্কী অনৌবা ফেসিলিটি অমা নোর্থ কোরিয়াগী বালিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামমগা মরী লৈনৈ হায়না ৱাশিংটনদা বেজ তৌবা থিঙ্ক-টেঙ্ক অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টর ফোর ষ্ট্রেটেজিক এন্দ ইন্টরনেসনল ষ্টদি (সী এস আই এস)না ফেসিলিটি অদুগা লোয়ননা নক্কনা লৈবা অন্দরগ্রাউন্দ ষ্ট্রেকচর অমা নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল (আই সী বি এম)শিং থন্বা য়াবগী কেপাসিটি লৈ হায়বসি কর্ম্মসিএল সেট্টলাইটকী ইমেজরিনা উৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

এক্সপার্টশিংনা মিসাইলশিং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মফম খুদিংমক্তা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্মী হায়না থাজনরিবনি। কুমজা ২০১৬ দগী শারকখিবা ফেসিলিটি অদুদা অচৌবা খুমজিন্দুনা থন্বা য়াবা রেল টর্মিনেল অমসুং বিল্ডিংশিং য়াওনা মখল-মখা কয়াগী ফিচরশিং য়াওরি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙখিবা সী এস আই এস রিপোর্টতা পনখি।

ফেসিলিটি অদু কেপিটেল প্যোংয়াং এরিয়া মনুং চন্না লৈরিবা বলিষ্টিক মিসাইলগী মচাক-মথুমশিং শাফম ওইবা প্লান্টশিংগসু থোইদোক্না নক্না লৈ। ফেসিলিটি অদুগী লৈরিবা মওং মতৌ অদুনা মদু বলিষ্ট্রিক মিসাইল ওপরেসনশিং সপোর্ট তৌনবা মওংদা দিজাইন তৌবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুগী মতাংদা এজেন্সিনা বৈজিংদা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদগী খুদক্কী ওইবা কমেন্ট অমত্তা লৌবা ফংখিদে। সাউথ কোরিয়াগী কেপিটেল সিওলদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা রিপোর্ট অদুগী মতাংদা কমেন্ট পীবা হায়বসি মরম চাদে হায়না ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং থুপচিন্নবগী পান্দমদা চথরকখিবা নিগোসিএসনশিং হৌখিবা চহীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চত্থখিবা ৱার্কিং-লেভেলগী মীটিংশিং ফেল ওইখিবদগী লেপ্তুনা লাক্লি।

কুমজা ২০১৮ দা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী পুংয়েরি ন্যুক্লিয়র টেষ্ট সাইট থিংজিল্লে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা য়ু এনগী মরু ওইবা রেজোল্যুসন ৫ রিভোক তৌখিবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী য়োংবিয়োন ন্যুক্লিয়র কমপ্লেক্সসু থুপচিল্লগে হায়না হৌখিবা চহীদা ওফর তৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং এক্সপার্টশিংনদি দিন্যুক্লিয়রাইজেসন দিল অমা লৈতবনা নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা খুৎলায়গী পুকৈ চাওথোকহনখিগনি হায়না থাজনরি।

## ফিলিপিন্সতা জর্নেলিষ্ট অমা কাপ্পুনা হাৎখ্রে



মনিলা, মে ০৬ (এজেন্সি) :
ফিলিপিন্সকী ময়াই থংবা নেগ্রোজ ওরিএন্টেল প্রোভিন্সতা রেদিও ব্রোদকাষ্টর অমা বাইক তোংবা মীওইশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। রিদিও ব্রোদকাষ্টর হাৎপগী থৌদোক অসিনা প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটরটেগী টার্ম মনুংদা হাৎপা ১৬ শুবা জর্নেলিষ্টনি হায়রি।

মশাগী চহী ৪৮ শুরবা কোর্নেলিও পেপিনো দুমাগুইটে সিটিদা কম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন অমগী থবক তৌবা মীওইনি। সিটি অদুমক্তদা হৌখিবা চহী অনীরোম ফাদবা মতম অসিদা অতোপ্পা জর্নেলিষ্ট অনীসু হাৎখ্রবনি হায়না নেসনল য়ুনিট ওফ জর্নেলিষ্ট ওফ দ ফিলিপিন্স (নুজপ)না ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোর্নেলিওনা মহাক্কী লোইনবীগা লোয়ননা মোটোর সাইকল তোংদুনা চৎলিঙৈদা অতোপ্পা মোটোর বাইক অমদা তোংদুনা লাকখিবা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই অনীনা মহাক্কী মনাক্তা নকশিল্লক্তুনা মহাকপু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না ইফে ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

মহাক সিলিমান য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল সেন্টরদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং হোস্পিটাল অদুদা লায়কন্নবা নংদনা শিখি হায়রি।

এটেক অদু কোর্নেলিওনা ব্রোদকাষ্টর অমা ওইনা তৌরিবা থবক অদুগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লিবা পুলিসকী লেফটর্নেল অল্লেন জুন জর্মন্দোনা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবা কোর্নেলিও কুমজা ২০১৪ দা নেগ্রোজ ওরিএন্টেলগী গভর্নর রোয়ল দেগামোনা দিফেমেসনগা মরী লৈননা শ্যু তৌখি। মহাক কুমজা ২০১৭ দা এক্যুইট তৌখি।

## প্রোটেষ্টরশিং লৌথোক্ত্রিফাওবা হোং কোংদা মরা তপ্পা ফিভম লৈরোই



বৈজিং, মে ০৬ (এজেন্সি) :
হোং কোংগী অমুবা ফিজোল শেৎপা ইরাং হৌরিবা প্রোটেষ্টরশিংবু বৈজিংদগী নীংতম্নবা হোৎনরিবা পোলিটিকেল ভাইরসনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চাইনাগী হোং কোং এফ্যেরস ওফিসনা চেকশিনৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খ্রে মদুদি, ইরাং হৌরিবা প্রোটেষ্টরশিং অদু লৌথোক্ত্রিমখৈদি সিটি অদুদা কৈদৌঙৈদসু মরা তপ্পা ফিভম লাক্লরোই।

কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনশিং থিংনবগীদমক্তা চৎনহল্লিবা লোকদাউন অমনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবগী চাং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরিঙৈগী মরক্তা চাইনানা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিবু হান্নদগী হেন্না চেৎনা পায়শিল্লকপা য়াই হায়না দেম্মক্রেসি এক্তিভিষ্টশিংনা মীপাইনরিঙৈ চৈরক্তা বৈজিংগী মায়কৈদগী অকনবা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

হোং কোং এন্দ মকাউ এফ্যেরস ওফিসনা চেকশিনৱা হায়খি মদুদি, হালেংবা লৈতবা থৌওংশিংগা লোয়ননা ইরাং হৌরিবা অসিদা চাইনাগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। নেসনল সিক্যুরিটি অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা হায়বসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী খ্বাইদগী চাওবা থৌদাংনি।

অমুবা ফিজোল শেৎপা ইরাং কন্না হৌরিবা প্রোটেষ্টরশিং অসি হোং কোং সোসাইটিদা পোলিটিকেল ভাইরস অমা ওইবগা লোয়ননা ৱান কন্ত্রি টু সিষ্টেমসকী অচৌবা য়েক্নবা অমনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হোং কোং এন্দ মকাউ এফ্যেরস ওফিসনা ফোঙদোকখি। হৌজিক্তি ৱিঠদ্রো তৌখ্রবা চিংনবা মীওই কয়াবু ৱায়েল চত্থনবগীদমক্তা মেনলেন্দ চাইনাদা থাবা য়াহনগদৌরিবা এক্সট্রাদিসন বিল অমগা মরী লৈননা এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হব অসিদা কুমজা ২০১৯দা থা কয়া অকনবা ইরাং হৌখিবনি।

## টালিবানননা য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্ত্রে : মার্ক ইস্পর



ৱাশিংটন, মে ০৬ (এজেন্সি) :
চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদা টালিবান্না ইনগনি হায়দুনা ফোঙদোকচকখিবা ৱাফম কয়া হৌজিক গ্রুপ অসিনা ঙাক্ত্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরনা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘানিষ্টানদা পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফিভম অমসুং টালিবানগী ভাইওলেন্সনা দিল অদু কাইহল্লকপা য়াবগী মমিশিং লৈরকখিবগা ইরোয়ননা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মতম শাংনা মীফম কয়া লোন্না চত্থরকখিবা মতুংদা টালিবান অমসুং ৱাশিংটন্না হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা লৈবাক অদুদা হাৎন-শুনবগী ইরাং হন্থহন্নবা অমসুং অফগান গর্ভনমেন্টকা ৱারী শানবা য়ানবা খোঙ থাজিন্নবগী এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখি। তৌইগুম্বসুং দিল অদু পুরকখিবদগী মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা এটেক তৌবগী চাংসু হেনগৎলকখি। টালিবান্না য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাকই হায়না লৌবা য়াব্রা হায়না হংবদা ইস্পরনা গ্রুপ অসিনা য়ানখিবশিং ঙাকপগী মতৌ উদে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা অফঘান গভর্নমেন্টসু য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্তে হায়নসু ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি য়ু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকখিবদা অফঘান গভর্নমেন্টদি শরুক য়াখিদে। অফঘান গভর্নমেন্ট অমসুং টালিবান অনীমক্না য়ান্নখিবা ৱাফমশিং ঙাক্তুনা পিছ প্রোসেস খুমাঙ চাওশিনহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ইস্পরনা ফোঙদোকখি।

সেপতেম্বরদা পাঙথোকখিবা য়েৎনবা লৈখিবা মীখল মতুংদা প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানি অমসুং হান্নগী চীফ এগজিক্যুটিভ অব্দুলা অব্দুলাগী মরক্তা মখা তানা লৈখিবা মুক্নবগী ফিভম্নসু নিগোসিএসনগী প্রোগ্রেসতা অকায়বা পীখি।

## মহারাস্ত্রনা কোভিদ-১৯ গী আই সী য়ু বেদশিং দিমান্দ তৌখ্রে

মুম্বাই, মে ০৬ (এজেন্সি) :
মহারাস্ত্রদা কোভিদ-১৯গী ফিভম মখা তানা লুশিল্লক্কদৌরি হায়বগী ইঙ্গিৎ অমদা ষ্টেট অসিগী গভর্নমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইন্দিয়ন আর্মি, ইন্দিয়ন নেভি, ইন্দিয়ন রেলৱেজ, পোর্টশিং অমসুং অতৈ সেন্ট্রেল ওর্গনাইজেসনশিংদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী ইন্টেসিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)গী বেদশিং পীননবা তকশিনখ্রে।



চীফ মিনিষ্টর উধভ থাক্রেগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা থা ৩ লোম অসিদা ষ্টেট গর্ভনমেন্টনা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা অকনবা লাঞ্জং অমা চঙশিনবগা লোয়ননা ভাইরস অসিবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি। কোভিদ-১৯গী টেষ্ট হেনগৎপদগী পোজিটিভ পেসেন্টশিংগী মশিংসু হেনগৎলক্লে। লায়েংবদগী অনাবা ফরবা পেসেন্টশিংগী মশিংসু হেনগৎলক্লি হায়বা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

অদুমওইনমক হান্নদগী থৌরাং তৌরকখিবা ষ্ট্রেটেজিগী শরুক ওইনা গভর্নমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংগী আই সী য়ু বেদশিং য়ারিবমখৈ মশিং য়াম্না থম্মনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লাক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা মহাক মশামক্না ইন্দিয়ন আর্মি, ইন্দিয়ন নেভি, ইন্দিয়ন রেলৱেজ, পোটশিং অমসুং ষ্টেট অসিদা বেজ তৌবা অতৈ সেন্ট্রল ওর্গনাইজেসনশিংদা হায়জখ্রে।

সেন্টরনা মে মনুংদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ৱাংখৎলক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখিবদগী ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মুম্বাই, পুনে অমসুং অতৈ মফমশিংদা আই সী য়ু বেদ মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংহন্নবা থৌরাং তৌরিবনি হায়না থাক্রেনা মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, গর্ভনমেন্টনা হীরম অসিগা মরী লৈননা নেহরু সাইন্স সেন্টর, মহালক্ষ্মি রেল কোষ্ট, নেহরু প্লানেটরিয়ম, গোরেগাউন এক্সজিবিসন সেন্টর, রিচার্দসন ক্রুদাস ফেক্তরি, বান্দারা কুর্লা কমপ্লেক্স অমসুং অতৈ লোকেসনশিংদা বেসিক অমসুং আই সী য়ু ট্রিটমেন্টকীদমক্তা অচৌবা ফেসিলিটিশিং হান্না শেমখৎখ্রবনি।

হৌজিক চত্থরিবা লোকদাউন অসি কোমথোক্লবা মতুং মীয়াম্না ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিং অমদি মপান্দগী মশিং য়াম্না হল্লক্কদৌরিবা অসিদা পেসেন্টশিংগী মশিং হেনগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবদগী অহেনবা আই সী য়ু বেদশিং লাংগদৌরিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## জে এন্দ কেদা মকোক থোংবা মিলিটেন্ট রিয়াজ নাইকু হাৎখ্রে

শ্রীনগর, মে ০৬ (এজেন্সি) :
জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থরিবা এন্টি-মিলিটেন্সি ওপরেসনশিংগী মরু ওইবা মায় পাকপা অমদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা খ্বাইদগী ৱান্টেদ ওইরবা মিলিটেন্ট কম্মান্দর রিয়াজ নাইকু মহাক্কী এসোসিয়েটকা লোয়ননা পুলৱামা ষ্টেটতা হাৎখিবগা লোয়ননা মে ৩ দা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫ হাৎখিবগী লমন শীংখ্রে হায়রি।



কাশ্মিরগী খ্বাইদগী ৱান্টেদ ওইরিবা টেররিষ্ট অমসুং হীজবুলগী চীফ নাইকু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মহাক্কী পোক্লফম বৈগহপোরা ভিলেজদা লাংদা থুংবগুম লৈখি। হীজবুল মুজাহিদিনগী কম্মান্দর অসিগা লোয়ননা মহাক্কী এসোসিয়েট য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা হাৎখি। অতোপ্পা মিলিটেন্ট অমনা নাইকুগা খুৎ থোক্নখিবা মফম অদুদগী খরা লাপ্পা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী খ্রু এরিয়াগী মনুং চনবা সর্সালি ভিলেজদা চত্থবা তোঙানবা ওপরেসন অমদা হাৎখি।

ঐখোয়গী থৌনা লৈরবা লান্মীশিং কর্নেল অসুতোস শর্ম্মা, মেজর অনুজ সুদ, লঞ্চ নাইক দিনেস সিংহ, নাইক রাকেস কুমার অমসুং সব-ইন্সপেক্তর শকির খানবু পুন্সি লোমহনখিবগী লমন খুমগনি হায়খিবদু হৌজিক নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপা ঙল্লে হায়না সিনিয়র সিক্যুরিটি ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

মে ৩ দা হন্দৱারা টেহশিলগী চঞ্জিমুলা ভিলেজদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা থৌনা ফরবা লান্মীশিং অসিগা লোয়ননা টেররিষ্ট অনীসু শিখিবনি। টেররিষ্ট অমদি পাকিষ্টান মচানি অমনা লোকেল টেররিষ্টনি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না নাইকু হাৎখিবা ওপরেসন অদু অতৈমীশি-মীনা নৎত্রগা অমাঙ-অতা অমত্তা থোকহন্দনা য়াম্না চেকশিন্না চত্থখি। টেররিষ্ট লিদর অসিনা শিখিবসিদা লো এন্দ ওর্দরদা শোকহনগদবা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক্তা ওথোরিটিশিংনা কাশ্মিরি তম্পাক্তা মোবাইল ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিনখিবগা লোয়ননা টাউন কয়াদা কর্ফ্যু থমজিনখ্রে।

## অহেনবা বি এস এফ পর্সনেল ৮৫ সু পোজিটিভ ওইরম্লে



ন্যু দিল্লি, মে ০৬ (এজেন্সি) :
য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী পর্সনেল ৮৫ চাংয়েংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা লায়না অসিনা শোকহল্লিবা বি এস এফ পর্সনেল মশিং ১৫২ য়ৌখ্রে। ইনফেক্সন মশিং অসি সেন্ট্রেল আমর্দ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) পুম্নমক্কী মরক্তা খ্বাইদগী ৱাংবনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসনা সী এ পি এফ পর্সনেল ৪০০ শোকহল্লে। বি এস এফকী পর্সনেল ৮৫ মক ইসিএন্সিএল দ্যুটিশিংদা লৈবনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পোষ্টিং তাবা বি এস এফ ৬৯ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। পর্সনেল অনী লায়েংবদগী ফখ্রবা মতুংদা পর্সনেল ৬৭ মখা তানা লায়েং চত্থরিবনি। বি এস এফকী মতুং ইন্না কোরোনাভাইরস লাইচৎ থিংননবা ফোর্স অসিগী ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোটোকোল (এস ও পি)শিং চেকশিন্না ঙাক্তুনা লাক্লি।

সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)না কোভিদ-১৯গী কেস ১৪৬ রিপোর্ট তৌখি, ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)না ৪৫, সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ)না কেস ১৫ অমসুং সসাস্ত্রা সীমা বাল (এস এস বি)না কেস ১৩ রিপোর্ট তৌখি।

চৈরকসিদা, সাউথ দিল্লিগী সী জি ও কমপ্লেক্সতা লৈরিবা বি এস এফ হেদক্বার্টরস প্রোটোকোলশিংগী মখাদা মথৌ তৌবা হৌখ্রে। হেদ কন্সটেবল অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী বিল্ডিংগী হেদক্বার্টরস অদুগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ফ্লোর এরিয়াশিং থিংজিনখিবনি। য়ু পিগী নোইদাদা লৈবা আই টি বি পিগী কোভিদ-১৯ হোস্পিটাল অমদা লায়েংলিবা হেদ কন্সটেবল অদুগী ফিভম নুংশাথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

বি এস এফ অসি কিলোমিটর ৪০৯৬ শাংবা ইন্দো-বাংলা বোর্দর অমসুং কিলোমিটর ৩৩২৩গী ইন্দিয়া-পাকিষ্টান বোর্দর ঙাক শেনবগী থৌদাং শীনরিবা ফোর্সনি।

## নিওটকী জহাজদা তোংলিবা সাইন্টিষ্টশিং, ক্রু মেম্বরশিং সমুদ্রদা লৈখিগনি



চেন্নাই, মে ০৬ (এজেন্সি) :
মে ১৭ ফাওবা লোকদাউন মখা তানা শাংদোকখিবনা মরম ওইদুনা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ওসিন টেক্নোলোজি (নিওট)কী জহাজ মরিদা য়াওরিবা সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ক্রু মেম্বর অয়াম্বা লৈমায়দা খোঙদারকপদা মতম খরগা ঙাইবা তারি।

সাগর নিধি ভেসেলদা য়াওরিবা সাইন্টিষ্টশিং ঐখোয়না চেন্নাই অমসুং হায়দ্রবাদতা পুনবা হোৎনরি হায়না নিওটকী দিরেক্টর এম এ অটমানন্দনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, সাগর নিধি ভেসেল হৌজিক টুটিকুরিম হিথাংফমদা চঙশিনখ্রে। ভেসেল অসিদা য়াওরিবা সাইন্টিষ্ট ১১ ঐখোয়না চেন্নাই অমসুং হায়দ্রবাদতা পুরগনি। লেমহৌরিবশিং অদুনা মখা তানা জহাজ অসিদা অদুম লৈখিগনি।

অনৌবা সাইন্টিষ্ট টিম অমা মথংগী সাইন্টিফিক মিসনগীদমক্তা ভেসেল অসিদা তোংলগনি হায়না সিপ মেনেজমেন্ট গ্রুপকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর দি রাজাসেখরনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ক্রু মেম্বরশিং অনীমক য়াওনা মীওই ১১০ রোম হৌখিবা মার্চতা সাইন্টিফিক মিসন অমগা মরী লৈননা জহাজ মরিদা থৌদোকখিবনি। কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন লাকখিবদগী নিওটকী সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ক্রু মেম্বরশিং সমুদ্র খোংবানদা হল্লকপা ঙমখিদবগা লোয়ননা মখোয়গী থবকশিং অদু সমুদ্রদা মখা তানা পাঙথোকখি। মখোয় মে ৪ দা সমুদ্র খোংবান শোয়দনা য়ৌরগনি হায়না থাজখিবনি।

অদুমওইনমক সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লোকদাউনগী মতম চয়োল অনী হাপচিন্দুনা মে ১৭ ফাওবা শাংদোকখিবদগী সাইন্টিষ্টশিং অসি মখা তানা মখোয়না তোংলিবা ভেসেলশিংদা সমুদ্রদা লৈবগী ফিভম লাক্লিবনি। ওসিন রিসার্সকী ভেসেল মরি অদুদি সাজর নিধি (সাইন্টিষ্ট ২৫, ক্রু ৩০); সাগর মঞ্জুসা (সাইন্টিষ্ট ৬, ক্রু ১৬); সাগর অনভেসিকা (সাইন্টিষ্ট ৬, ক্রু ১২) অমসুং সাগর তারা (সাইন্টিষ্ট ৪, ক্রু ১৩) অসিনি।